# স্বিশ ফাইটর জেট থিবা খঙখিদ্রে, কায়রম্লগনি হায়না থাজনরি : মিনিষ্ট্রি



জিনেভা, ওগষ্ট ৩০ ঃ স্বিশ আর্মিগী ফাইটর জেট অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা অলপসতা মাংখ্রে অমসুং মদু কায়রম্লগনি হায়না থাজনরি লোয়ননা পাক-শন্না থিবা-হুন্বা অমসুং মী কন্নবগী ওপরেসন অমা হৌখ্রে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

এফ/এ-১৮ সি সিঙ্গল সিটর অদু অনীশুবা প্লেন অমগা লোয়ননা ট্রেনিং এক্সরসাইজ পাঙথোক্লিঙৈদা খঙহৌদনা নুংথিল পুং ৪.৫০ তাবদা পাইলোটকা রেদিও কন্টেক্ট অপুন্বা তৎনখিবনি হায়না মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা নিংথৌকাবদা ফোঙদোকখি। 'মদুদগী মহাক মাংখ্রে হায়না লাউথোকখি' হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

প্লেন কায়ফম অদু চীংগী লৈবাক অদুগী ময়ায় চবুক ওইবা সসভেন পাসকী অকোয়বদনি হায়না চিংনরি অমসুং মফমদু চঙবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈ হায়না মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

অহানবদা হেলিকোপ্টর অনী সার্চ অদুদা শিজিন্নখি তৌইগুম্বসুং অহিং ওইশিল্লকপদা ৱেধর কন্দিসনশিং ফৎচিল্লক্তবদগী নমদুনা লেন্দিং তৌখি। মিনিষ্ট্রিনা ৱেধরগী ফীভম ফরকপগা য়াম্না থুনা অমুক পাইবা হৌদুনা থিবা-হুন্বগী থবক চত্থগনি হায়খি। চৈরকসিদা, রেস্ক্যু ৱার্করশিংগী গ্রাউন্দ ক্রু অনী অমসুং মাউন্টেনিয়ারিং এক্সপার্টশিংনা মখা তানা থিবা-হুন্বা চত্থরি হায়রি।

মিলিটরি কম্মান্দনা পাইলোট অদুগী ইমুংগী ৱাখল খল্লি, ইনভেষ্টিগেসন অমা হৌখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি। মাংখিবা প্লেন অদুনা পাইখৎখিবা মফম ওইরিবা সেন্ট্রেল কেন্টনদগী লাকপা ফ্লাইট খুদিংমক নুমিৎ য়ুংবা পুং ১২ তাবা ফাওবা লেপহনখ্রে হায়রি।

এক্সিদেন্ট অমনি হায়না চিংনরিবা থৌদোক অদু স্বিশ এয়রফোর্সতা পরিং নাইনা থেংনরক্লিবা প্লেন কায়বগী থৌদোকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি।

# চাইনিজ এম্বেসিদা কার বোম পোকখায়বদা সুইসাইদ বোম্মর শিখ্রে, অহুম শোক্লে



রিসকেক, ওগষ্ট ৩০ ঃ

সুইসাইদ বোম্মর অমনা থৌবা কার অমা ঙসি কিরগিজষ্টানগী চাইনিজ এম্বেসিগী গেট অমদা পোকখায়খ্রে অমসুং মীওই অহুম অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

'মীওই অহুমখক শোকপা নত্তনা কার বোম পোকখায়বদুদা সুইসাইদ বোম্মর টেররিষ্টতু দমক শিখ্রে, শোকখিবশিংদু সিক্যুরিটি গার্দশিংনি' হায়না কিরগিজষ্টানগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর জোনিশ রাজাকোভনা পাউমীশিংদা হায়খি।

রাজাকোভনা হায়খি মদুদি, শোক্লিবা মীওই অহুম্মক চাইনিজ এম্বেসি অদুগী কিরগিজ ইমপ্লোয়ীশিংনি অমসুং মখোয় হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে। লোকেল মেদিকশিংনা মখোয়গী অশোকপশিংদু ফীভম লুবা নত্তে হায়খি।

বিসকেক পুলিসনা এ এফ পিদা হায়খি মদুদি, মিটসুকিশি দেলিকা কার অমা এম্বেসিগী গেটতা থোমজিনখি অমসুং মদু এম্বেসেদরগী রেজিদেন্স মনাক নক্লা কম্পাউন্দ অদুগী ময়ায়মক্তদা কায়খি।

চাইনাগা লোন্নবা হান্নগী সোভিয়েট সেন্ট্রেল এসিয়ন লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটি সার্ভিসকী অতোপ্পা সোর্চ অমনা হায়খি, গাড়ী মনুংদুদা এক্সপ্লোসিভ দিভাইস অমা থল্লমখি।

মফম অদুগী মীওইশিংনা এ এফ পিদা হায়খি মদুদি, ব্লাষ্ট অদুগী শাফুদুনা মখোয়গী থোংনাউশিং কায়হনখি অমসুং মখোয়গী ময়ুমশিংসু নিকহনখি।

চাইনিজ এম্বেসি অমসুং মনাক নকপা সিটি অদুগী চিদাইদা লৈবা অমেরিকান এম্বেসিগী ইমপ্লোয়ীশিং ব্লাষ্ট অদুনা মরম ওইদুনা মফম হোংখ্রে হায়না কিরগিজ ইন্মরজেন্সি সার্ভিসনা হায়খি।

মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা লায়রবা লৈবাক কিরগিজষ্টান অসি পোলিটিকেলগী তং-তাদবা অমসুং ইস্লামিক এক্সট্রিমিজম থেংনবগী ৱারী লৈবা লৈবাক অমনি। শেল-থুমগী খুদোংচাদবা লৈবা রসিয়াগী মিচং অসি কুমজা ১৯৯১ দা নিংখা তমখিঙৈদগী গভর্ণমেন্ট অনী চিংথখ্রে অমসুং ইঠনিক্কী লালদা মীওই চা কয়াগী পুন্সি লোমখ্রে।

লৈবাক অদুগী ওথোরিটিশিংনা মতম অয়াম্বদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা থৌরাং তৌখিবা এটেকশিং অরেম্বা তাহল্লে হায়না তত্তনা লাউথোক্তুনা লাকখি।

বিসটেকেতা হৌখিবা চহীদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেরিষ্ট-শিংনি চিংনবশিংগা নোংমৈ কয়ারক হন্না কাপ্পখি। কিরগিজ ৫০০ রোম সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা ইস্লামিক ষ্টেটকী রেঙ্কশিংদা য়াও-শিনদুনা লাল শোক্লরম্বা য়াই হায়না ওফিসলশিংনা হায়রি।

মমাঙদা কুমজা ২০০০দা উইঘুর মাইনোরিটিগী রেদিকেলশিংনা চত্থখিবনি হায়না মরাল শীখিবা এটেক অমদা চাইনিজ ওফিসল অমা শিখি। অসুম্না লৈবাক অদুদা চাইনিজ ওফিসলশিংবু টার্গেট তৌদুনা এটেক কয়া চত্থবা লৈখ্রে।

# বাংলাদেশি ইস্লামিষ্ট লিদর ৱার ক্রাইমশিংগা মরী লৈননা হাৎখিবা য়ানা লৈরে



ধাকা, ওগষ্ট ৩০ ঃ চহী ৪০ শুরবা ৱার ক্রাইমশিংগা মরী লৈনবা মরাল কয়াগা মরী লৈননা পীখিবা শিবগী চৈরাক্কী মায়োক্তা তৌবা মহাক্কী অরোইব আপিল মায়থীখিবগা লোয়ননা বাংলাদেশি ইস্লামিষ্ট লিদর অমা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা হাৎখিবা য়াবগী ফীভম মায়োক্লরে হায়রি।

বাংলাদেশকী খ্বাইদগী চাউবা ইস্লামিষ্ট পার্টিগী চীফ ফাইনান্সিয়র ওইরিবা মির কুৱাসেম অলি কুমজা ১৯৭১ গী লৈবাক্তুগী নিংতম লাল মনুংদা চত্থখিবা মীহাৎ কয়াদা মরাল লৈরম্বনি। এটোর্নি জেনরেল মহদুবে অলমনা হায়খি, 'মহাক হৌজিক প্রসিদেন্টকী থৌজাল নিবগী চান্স অমদি লৈরি নৎত্রবদি ভর্দিক্ট অদু ষ্টেটনা পাম্বা মতম অমদা হেক্তা থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াই।

হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দগী মকোক থোংবা ইস্লামিষ্ট লিদর মরি য়াওনা ওপোজিসন লিদর মঙা ৱার ক্রাইমশিং চত্থখিবগীদমক্তা হাৎখ্রবনি। মখোয় লোইনমক সুপ্রিম কোর্টনা মখোয়গী আপিলশিং রিজেক্ট তৌখিবা মতুংদা মঙক্তা থৌরি কোঙ্গোই থুজিল্লগা হাৎখি।

মখোয়গী ইমুংশিংনা হায়খি মদুদি, মখোয়না ৱায়েলগী প্রোসেস অপুন্বদু লোনা য়াবা থৌওংশিং ওইহনবা পামদবা মরম্না মখোয়না প্রসিদেন্টদা কোকপীনবা হায়জবগী ৱাফমদু য়াখিদবনি। সিপ্পিং অমসুং রিয়েল ইষ্টেট টাইকুন অমা ওইরকখিবা অলি বাংলাদেশনা পাকিষ্টানদগী তোঙান্না তানবা শোক্লখিবা লাল মনুংদা নহা ওইরিবা নিংতম লান্মী অমা ফাখিবা অমসুং হাৎখিবা য়াওনা ক্রাইম কয়া চত্থখিবগীদমক্তা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী নভেম্বরদা কনভিক্ট তৌখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী ৱারেপ অদু চহী ৬৩ শুরবা অলিনা মতেং পাংদুনা হিঙ্গৎহনখিবা জমাট-ঈ-ইস্লামি পার্টিগী ওইনদি অচৌবা চৈথেং অমা নংলবনি হায়না লৌনৈ। কুমজা ১৯৭০ গী মতুং চহীশিংগী অথেংবদা ওপরেট তৌবগী অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা অলিনা চেরিটিশিং, বিজনেসশিং অমসুং ট্রষ্ট কয়া লিংখৎতুনা পার্টিগা মরী লৈনহন্দুনা পার্টি অদুবু নৌনা অমুক হিঙ্গৎহনখিবনি।

মহাক্কী লিগেল দিফেন্স টিমগী শরুক অমা ওইরিবা মহাক্কী মচানুপা মির অহম্মদ বিন কুৱানেম ওগষ্টকী অঙনবা শরুক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাখি। থৌওং অদু অলিবু হাৎকদৌরিবদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবা থিংনবা অমসুং অকিবা পোকহন্নবা চত্থরিবনি হায়না ক্রিটিকশিংনা ফোঙদোক্লখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসল অনী এন্টি এয়রক্রাফট নোংমৈ শিজিন্নদুনা হাৎখ্রে



সিওল, ওগষ্ট ৩০ ঃ কিম জোং-উনগী ওর্দরদা ওগষ্ট থাগী অঙনবা শরুক্তা নোর্থ কোরিয়াগী সিনিয়র ওফিসল অনী এন্টি-এয়রক্রাফট গন শিজিন্নদুনা হাৎখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী জূং এং ইলবো পাউচেনা মশক মমিং তাকথোক্তবা মীওইশিংগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রিদা সিনিয়র ওফিসল অমা ওইবা, তান চারবদি মিনিষ্টর ওইরম্বা য়াবা রি য়োং জিন কিমগা মীটিং পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা উইরকপগীদমক্তা ফাখি অমসুং করপসন তৌবগী মরাল শীরগা হাৎখি হায়না পাউচে অদুনা হায়খি। হান্নগী এগ্রীকলচর মিনিষ্টর ৱাং মিন প্রোজেক্ট অমা প্রপোজ তৌখিবগা মরী লৈননা হাৎখিবনি। মহাক কিমগী লিদরশিপতা হকথেংননা শিংনবনি হায়না লৌখি হায়না পাউচে অদুনা ফোঙদোকখি।

কিমনা কুমজা ২০১১ দা মপাগী মহুৎ শিন্দুনা পৱার পায়খিঙৈদগী মীওই কয়া পরিং নাইনা হাৎখ্রে নৎত্রগা মফম লৌথোকখ্রে। মহাক্কী মপানা শিখিবা মতুংদা মালেমদগী তোঙান্না তারবা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈরবা লৈবাক অদুগী মতীক চাবা তৌবা ঙম্বা লুচিংবনি হায়বদু উংনবগীদমক্তা কিমনা ওফিসলশিং হাৎপা অমদি মফম লৌথোকপগী থবকশিং পায়খৎলকখিবনি। মহাক্না হৌজিক ফাওবদা হাৎখিবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মশক নাইবা ওইখিবদি চহী অহুমগী মমাঙদা হাৎখিবা মহাক্কী মখুরা অমদি মতম অমগী দেপ্যুটি জং সোং থেকনি।

মহাক্না কুমজা ২০১৪ দা ওফিসল ৫০ রোম হাৎখি। মীহাৎশিংদু পাঙথোকপদা মহাক্না শীখিবা মরালশিংদু করপসন তৌবদগী হৌরগা সাউথ কোরিয়াগী সোপ ওপেরাশিং য়েংবা ফাওবা য়াওরি।

'কিমনা লোয়েলিষ্টশিংনা মহুৎ শিঞ্জিন্দুনা মপাগী হান্নগী লৈঙাক্কী টিমদা অহোংবা কয়া লেপ্তুনা পুরক্লি হায়না সাউথ কোরিয়াগী পুসন নেসনেল য়ুনিভর্সিটিদা পোলিটিকেল সাইন্সকী প্রোফেসর অমা ওইরিবা রোবর্ট কেলিনা হায়খি।' শীরিবা মরালশিং অদু মহৌশানা শেমজিন-শাজিনবা ঙাক্তা ওই। ওপোজিসনগী লিজিটিমেট ভেন্যুশিং লৈতবা টোটেলিটরিয়ন ষ্টেটশিংদা অদুম্না ফম কাবা নৎত্রগা ফম তাবগী থৌদৌশিং চত্থবা তোয়না উই।'

কিমনা হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা মহাক্কী মিলিটরিগী চীফরি য়োং গিলবু করপসন য়াওনা মখল-মখা কয়াগী চার্জশিংদা হাৎখ্রে হায়না য়োনহাপ ন্যুজনা মতমদুদা পাউদমখি।

হৌখিবা চহীগী জন্যুৱারীদা মহাক্না আর্মিগী হেড ওফ ওপরেসন্স ওইরিবা জেনরেল পিয়োন ইন সোনবু মহাক্না মোত চানদবগীদমক্তা হাৎখি অমসুং চহীদুগী মেদা মহাক্না মহাক্কী দিফেন্স মিনিষ্টর হয়োন য়োং চোলবু রেলি অমদা উইরকপগীদমক্তা মফম থদৎখি।

হৌজিকসু নোর্থ কোরিয়াগী সিনিয়র ওফিসলশিং মফম থদৎপা লেপত্রি। করিগুম্বা মতমশিংদা মফম থদৎনবা মহাক্না শীরিবা মরালশিংদু থাজনিংঙাই ওইদবা নৎত্রগা মরম চাদবা কয়া য়াওরমখি।

থা অসিগী অঙনবদা সিওলনা য়ু কেন্দো বেজ তৌবা নোর্থ কোরিয়াগী সিনিয়র দিপ্লোমেট অমা সাউথ কোরিয়াদা চেনশিল্লকখ্রে হায়না সিওলনা লাউথোকখি। মহাক চহী অসিদা দিফেক্ট তৌখিবা দিপ্লোমেট তরেৎকী মনুংদা অমনি হায়না জূংএং ইলবোনা হায়খি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট পার্ক গ্যূন হয়েনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খি মদুদি, দিফেক্সনশিংদুনা নোর্থ কোরিয়ন রেজিমদা অরুবা ফ্রেকচর অমা লৈরে হায়বদু উৎলে অমসুং কিমনা লৈরিবা ফীভমদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা অনৌবা কায়হৌবগী থৌওংশিং চত্থরকপা য়াই। সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এসনা চহীগী মিলিটরি দ্রিলশিং পাঙথোকপগা চাননা গ্যূন হয়েনা কম্মেন্টশিং অদু ফোঙদোকখিবনি।

নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী মিলিটরি দ্রিলশিং অদু লান্দারমদাইগী রিহর্সেলনি হায়খি।

# চাইনানা কোর্টকী রুলিং ঈকায় খুম্নগদবনি হায়না ফিলিপিন্সনা হায়রি

মনিলা, ওগষ্ট ৩০ ঃ সাউথ চাইনা সিদা চাইনানা মফম কয়া ক্লেইম তৌবা লৈরিবদুগী মায়োক্তা ইন্টরনেসনেল কোর্টনা তাখিবা রুলিং অদু বৈজিংনা শকখঙদবা তারবদি লৈবাক অসি মাংজবনা হেনগনি হায়না ফিলিপিন্সকী ফোরন মিনিষ্টর পর্ফেক্তো য়াশয়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা জুলাইদা হেগতা লৈবা অর্বিট্রেসন কোর্ট অমনা সাউথ চাইনা সিদা চাইনাগী হিষ্টোরিকল টাইটল লৈতে অমসুং লৈবাক অদুনা ফিলিপিন্সকী সোভরন রাইটশিং খোঙ্গাওনখ্রে হায়না রুলিং পীখিবদগী বৈজিংবু খোয়রাং খোয়শাওহনখি।

য়েৎনরিবা স্প্রাটলি ঈথৎশিংদা লৈবাক অদুনা তৌরিবা ক্লেইমশিং অদুগী মনুংদগী অমত্তা কিলোমিটর ৩২০ গী এক্সক্লুসিভ ইকনোমিক জোনদা চনদে হায়বা রুলিং অদু চাইনানা য়াখিদে অমসুং ইন্নিংঙাই ওইদে হায়খি। বৈজিংনা রীফশিংদা পায়খৎলিবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎলবা সি অদুদা ক্লেইম কয়া তৌরিবা অতৈ লৈবাকশিংদা নত্তনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং জপানদসু মীপাইবা পোক্লখি।

উংখৎনবগী ফীভম হন্থরক্লবা মতমদা ঐখোয়না চাইনাবু অর্বিট্রেল ট্রাইব্যুনেল অদুবু ঈকায় খুম্নদ্রবদি অমদি শকখঙদ্রবদি মমৈথংদা হীরম অসিগী মতাংদা মখোয় শোয়দনা মাংজগনি হায়বসি খঙহন্নবা হোৎনরি হায়না য়াশয়না কোংগ্রেসকী হিয়ারিং অমদা হায়খি।

বাইলেটরেল ৱারী হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ফিলিপিন্সনা লৈবাক অসিগী ঙামীশিংবু রিছোর্স মরাং কায়রবা ঈশিংগী মফমশিং অদুদা চঙহনবা য়ানবা চাইনাগা দিল অমা পুরক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না য়াশয়না হায়খি।

চাইনানা কুমজা ২০১২ দা স্কারবোরো সোল (ঙা চাফম) পায়শিন্দুনা ফিলিপিন্সকী ঙামীশিংবু মফমদুদা চঙবা য়াহনখিদে। মনিলানা হেগতা ৱাকৎখিবগী মরমশিংগী মনুংদা মসিসু অমা ওইখি।

'ঐখোয়না হৌনবী মতুং ইন্না চাইনাগা নিগোসিএসন্স নৎত্রগা বাইলেটরেল ইনগেজমেন্টশিং হৌবা তারবদি ঐখোয়না মদু অর্বিট্রেল ৱারেপতুগা চাননবা চত্থবা তাই। হীরম অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়গী পোলিসিদা চিংননিংঙাই অমত্তা লৈতে' হায়না য়াশয়না হায়খি।

চহী খুদিংগী দোল্লর ট্রিলিয়ন মঙাগী লল্লোন-ঈতিক্কী থবক্কী লম্বী ওইনরিবা সাউথ চাইনা সি অপুন্বা চাইনানা ক্লেইম তৌরি। ব্রুনৈ, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, টাইৱান অমসুং ভিয়েটনামনসু ইনর্জি দিপোজিটশিং মরাং কায়না লৈ হায়না থাজনরিবা সি অদুদা ক্লেইম কয়া তৌরিবনি। ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেনা হৌখিবা চহীদা ফোঙদোকখিবদা চহী অমগী মনুংদা মহাক্না চাইনাগা ৱারী হৌবা য়াগনি হায়না থাজে হায়খি।

# য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগী প্লেনশিংনা নোর্থ সিরিয়াদা লৈবা আই এসকী টার্গেটশিংদা শোকহনখ্রে



ইষ্টানবুল, ওগষ্ট ৩০ ঃ অঙ্কারানা শৌগৎপা ফোর্সশিং নোদর্ন সিরিয়াদা মখা তানা চঙশিনখিবগা লোয়ননা ঙরাং অহিং য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন ৱারপ্লেনশিংনা সিরিয়াগী ফ্রন্টিয়র টাউন জরাব্লসকী মনাক্তা লৈবা আই এস আই এসকী টার্গেটশিংদা হিট তৌখ্রে হায়না টর্কিশ মিলিটরিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা অকুপ্পা মরোলদি ফোঙদোক্তবীদা এ-১০ প্লেন অনীনা আই এস আই এসকী টার্গেটশিং হিট তৌখি অমসুং থুগায়খি হায়খি।

হৌখিবা চয়োলদা টর্কিনা বেকিং পীবা ফোর্সশিংনা আই এস আই এস মিলিটেন্টশিংগী মখুৎতগী জরাব্লস মুনখি। মদুদগী মখোয় কর্দিশকা মীচং ওইনবা ৱাশিংটননা শৌগৎপা মিলিসিয়াশিংনা পায়শিনবা মফমশিংদা চঙশিনখ্রে। সিরিয়াগী পোলিসিগী মতাংদা খেন্নবা কয়া লৈবনা মরম ওইদুনা নেটোগী মীচংশিং ওইরিবা টর্কি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না লুশিল্লকখি।

য়ু এসনা লুচিংবা আই এস আই এসকী মায়োক্তা লৈরিবা কর্দিশ ফাইটরশিংবু ৱাশিংটন্না শৌগৎপবুদি অঙ্কারানা নুংনাংলি। সিরিয়াগী কর্দিশ ফাইটরশিংবু অঙ্কারানা টর্কিদা লাল হৌরিবা কর্দিশ মিলিটেন্টশিংগী অমত্তা ওইবা কাঙবুশিংনি হায়না লৌই।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অমগা অমগা য়েংথিনবা মীচংশিং টর্কি অমসুং কর্দিশ ৱাই পি জি মিলিসিয়াদা মখোয়গী নোংমৈগী পৱার অপুন্বা আই এস আই এসতা ওইনা ওনশিন্নবা তকশিনখি। নাকল অনীগী মুক্লবগী ফীভম অদুনা য়ু এসনা সিরিয়াদা পায়খৎলিবা লালগী ষ্ট্রেটেজিদা অকায়বা লাক্লিংঙাই ওইরকখি।



HL-B/3268/19/08-18/09

# EMPLOYMENT NEWS

## Chennai Metro Rail Limited – CMRL Recruitment 2016 – 41 Junior Engineer (Station Control) Vacancy – Last Date 23 September

**CMRL Recruitment 2016**

Chennai Metro Rail Limited (CMRL) invites application for the post of 41 Junior Engineer (Station Control) on Regular Basis. Apply before 23 September 2016.

Advt No. : CMRL/HR/06/2016

**Job Details :**

Post Name : Junior Engineer (Station Control)
No. of Vacancy : 41 Posts
Pay Scale : Rs.8000 – 14140/-

**Eligibility Criteria for CMRL Recruitment:**

Educational Qualification : Three years Diploma certification with minimum 55 % marks in Mechanical/ Electrical (EEE)/ Electronics & Communication Engineering (ECE) from a Govt. recognized Institute/ University.

Nationality : Indian
Age Limit : 28 years as on 01.08.2016

Job Location: Chennai (Tamil Nadu)

**Application Fee :** Candidates Have to Pay Rs.500/- (Rs.100/- for SC/ST Candidates) through Debit Cards (RuPay/Visa/ MasterCard/Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets.

**How to Apply CMRL Vacancy :** Interested Candidates may apply online through the website http://chennaimetrorail.org from 24.08.2016 to 23.09.2016.

**Important Dates to Remember:**

Starting Date For Submission Of Online Application : 24.08.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 23.09.2016

**Important Links:**

Details Advertisement Link : http://chennaimetrorail.org/wp-content/uploads/2016/08/final-OM-recruit-notification.pdf

Apply Online : http://chennaimetrorail.org/online-application-form-advt-no-cmrlhr062016/

## National Institute of Fashion Technology – NIFT Bhubaneswar Recruitment 2016 – 23 Junior Assistant, Multi Tasking Staff & Various Vacancies – Last Date 21 September

NIFT Bhubaneswar Recruitment 2016

National Institute of Fashion Technology (NIFT) Bhubaneswar invites Application for the post of 23 Junior Assistant, Multi Tasking Staff & Various Vacancies on Contract basis. Apply before 21 September 2016.

**Job Details :**

Post Name : Junior Assistant
No of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1900/-

Post Name : Multi Tasking Staff
No of Vacancy : 09 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1800/-

**Eligibility Criteria for NIFT Recruitment :**

Educational Qualification :

For Junior Assistant : Passed 10 +2 examination from a Board or its equivalent recognised by the Govt. Diploma / Certificate in Computer Applications Operations latest softwares i.e. MS Office (Word / Excel / PowerPoint) and proficiency in computer operations.

For Multi Tasking Staff : Matriculation or equivalent pass. OR ITI Pass.
Nationality : Indian
Age Limit : No Age Limit

Job Location : Bhubaneswar (Odisha)

**Selection Process :** Selection will Be Made on through Written Test & Skill Test.

**Application Fee :**

For General / OBC Category Candidates : Rs. 500/-
For SC/ST Candidates : 250/-

A Demand Draft/ Bankers cheque should be drawn in favor of NIFT Bhubaneswar, payable at Bhubaneswar.

**How to Apply NIFT Vacancy :**
Interested Candidates may apply in prescribed Application form along with self Attested copies of certificates and testimonials in proof of age/educational qualifications/ caste/experience etc. send to the The Director, National Institute of Fashion Technology, NIFT Campus, IDCO Plot No.24, Opposite KIIT School of Management, Chandaka Industrial Estate, Patia, Bhubaneswar-751024, Odisha on or before 21.09.2016.

**Important Dates to Remember :**

Last Date for Submission of Application : 21.09.2016

Important Links :
Detail Advertisement Link : http://www.nift.ac.in/bhubaneswar/downloads/RECRAdvertisement.PDF
Download Application Form : http://www.nift.ac.in/bhubaneswar/downloads/Application%20FormGroupC.pdf